# ৱান নেসন, ৱান রসন কার্দ স্কিম ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট অমদি য়ু টিশিংদা দিরেক্সন পীখ্রে



ন্যু দেল্লী, জুন ১২ (এজেন্সী): মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংবু মখোয়গী রসন কার্দশিং রেজিষ্টর তৌখিবা মফম নত্তবা অতৈ ষ্টেটশিংদসু রসন ফংহনগদৌরিবা 'ৱান নেসন, ৱান রসন কার্দ' (ও এন ও আর সী) স্কিম ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা হায়খ্রে।

নেসনল দেটাবেজ অমা শেম্নবা অনওর্গনাইজ সেক্টরগী ৱর্করশিং রেজিষ্টর তৌনবগী সোফৱ্যের দিভলপমেন্ট থিন্থবগী ফিভম্বুসু হকচিন্না লৌবগা লোয়নননা টোপ কোর্ট অসিনা সেন্টরদা চহী অসিগী নভেম্বর ফাওবদা প্রধাণ মন্ত্রি গরিব কলয়ান য়োজনাগী মখাদা লেম্না ফংফম থোকপা হৱাই-চেংৱাইশিং রসন কার্দশিং পায়দবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংদা করম্না য়ৌগদৌরিবনো হায়না হংখি।

হন্দক্কী কোভিদ ক্রাইসিস অসিদা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংনা থেংনরিবা অৱাবশিং হান্নদগী হেল্লি হায়রদুনা মখোয়গী ফূদ সিক্যুরিটি, কেস ট্রান্সফর, টান্সপোর্ট ফেসিলিটি অমসুং অতৈ ৱেলফেয়রগী থৌরাংশিং শোয়দনবা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংদা দিরেক্সন পীনবা তকশিল্লদুনা অঞ্জালি ভারাদ্বাজ, হর্শ মান্দর অমসুং জগদীপ চোকর কৌবা এক্টিভিষ্ট খরনা ফাইল তৌখিবা অনৌবা এপ্লিকেসন অমগী ভর্দিক্টসু ভেকেসন বেঞ্চ অমনা রিজর্ভ তৌখ্রে। বেঞ্চ অদুদা য়াওরিবশিংদি জষ্টিস অশোক ভুষন অমসুং জষ্টিস এম আর শাহনি। হীরম অসিগী মতাংদা অইবা নোটশিং ফাইল তৌরক্নবা বেঞ্চ অসিনা সেন্টর, পিটিস্নর এক্টিভিষ্টশিং অমসুং ষ্টেটশিংদা খঙহনখ্রে।

এপ্লিকেসন অদু কোভিদ-১৯ কেস নৌনা ৱাংখৎলকপদগী লৈবাক অসিদা অথিংবা কয়া থল্লকপদগী মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংনা ময়োক্নরক্লিবা প্রোব্লেমশিংগা মরী লৈনবা কুমজা ২০২০গী পন্দুনা লৈরিবা সু মোটো কেসতা ফাইল তৌখিবনি।

এপ্লিকেসন অদুগী হিয়ারিংদা সেন্টরগী মহুৎ শিল্লিবা সোলিসিটর জেনরেল টুশর মেহতানা হায়খি-দেল্লী, ৱেষ্ট বেঙ্গল, ছট্টিসগড় অমসুং অসামনচিংবা ষ্টেটশিংনা হৌজিক ফাওবা 'ৱান নেসন, ৱান রসন কার্দ' (ও এন ও আর সী) ইমপ্লিমেন্ট তৌদ্রি। অদুম ওইনমক, দেল্লীগী কাওন্সেলনা সবমিসন অদুবু ওপোজ তৌরদুনা স্কিম অদু দেল্লীদদি ইমপ্লিমেন্ট তৌরে হায়খি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী কাউন্সেলনা আধার নম্বরশিংগা সিদিং তৌবদা ইস্যু খরা লৈ হায়রকপদা বেঞ্চ অসিনা স্কিম অদু শোয়দনা ইমপ্লিমেন্ট তৌগদবনি, ষ্টেট খূদিংমক্তা রসন ফংবা য়াবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী য়াইফনবনি হায়খি।

বেঞ্চ অসিনা হায়, রসন কার্দ পায়দবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংনা করম্না ৱেলফেয়র স্কিমশিংগী খুদোংচাবশিং ফংগদগে হায়বসি মখোয়না লুনা লৌই। অনওর্গনাইজ সেক্টরশিংগী ৱর্করশিং রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী ৱাফম্না কদায়দা সোফৱ্যের দিভলপ তৌবদা মতম শাংনা চঙলিবনা করিগীনো। মমাঙ চহীগী ওগষ্টতা হৌখিবা থবক হৌজিক ফাওবা লোইদ্রিবা করিগীনো হায়না বেঞ্চ অসিনা এদিসনল সোলিসিটর জেনরেল আইস্বারিয়া ভাতিদসু হংখি। ৱর্করশিংগী নেসনল দেটা শেম-শাবদা মতেং পাংগদৌরিবা সোফৱ্যের শেম্বদা সেন্টরনা করিগী মখা তানা থা খরসু লৌবা পাল্লিবনো হায়না বেঞ্চ অসিনা হংখি।

# দেল্লীনা ওক্সিজেন ষ্টোকক্কা লোয়নননা অহুমশুবা ৱেভকীদমক অহেনবা খোঙথাং লৌখৎতুনা শেম শারি



ন্যু দেল্লী, জুন ১২ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অহুমশুবা ৱেভকীদমক হেল্থ সিষ্টেম শাবগী অহেনবা খোঙথাং লৌখৎলদুনা অনীশুবা ৱেভতা নুমিৎ খূদিংগী থেংনরিবা য়াল্লবা পেসেন্টশিং লায়েংবদা শীজিন্নগদবা মেদিকেল ওক্সিজেন কা-হেন্না ৱাৎপগী ফিভম মায়োক্লখ্রবা দেল্লীনা হৌজিক ফাওবদা ওক্সিজেন প্লান্ট ২৭ ইন্সটোল তৌখ্রে।

প্লান্টশিংদুগী মনুংদা অক্লবা কেপাসিটি মেত্রিক টন ১৭ লৈবা ওক্সিজেন প্লান্ট ২২ থাংজ নুমিত্তা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা ইন্সটোল তৌখি। ওক্সিজেন মরাং কায়না থল্বা য়ানবা অহেনবা ওক্সিজেন প্লান্ট ১৩ জুলাই ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা হেল্থক্যের সেন্টরশিংদা ইন্সটোল তৌগনি। দেল্লীগী ওইনদি থাঙ্গৈশেংনা মরিশুবা ৱেভনি হায়নসু লৌনরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা সিটি অসিনা ওক্সিজেন সপ্লায় ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্লখি।

দেল্লী ইন্দষ্ট্রিএল ষ্টেট অমা নত্তে। অদুনা দেল্লীদা ওক্সিজেন প্রদক্সন য়ুনিট অমত্তা লৈতে। ঐখোয় অতৈ ষ্টেটশিংগী মপান তাংবা তাখি। দেল্লীদা ওক্সিজেন সপ্লায় তৌনবা টেঙ্কর ফাওবা লৈতে। ঐখোয় মমাঙগী ৱেভতা লৈখিবা অশোয়বা কয়াদগী খঙবা য়াবশিং খঙলবা মতুংদা খোঙথাং খূদিংমক্তা অহুমশুবা ৱেভকীদমক শেম-শানবা ৱারেপ লৌরে হায়না চীফ মিনিষ্টর অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখি। থাংজ নুমিত্তা হোস্পিটাল ৯দা ওক্সিজেন প্লান্ট ২২ হৌদোকপগী থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা কেজ্রিৱালনা হায়খি, সেন্ট্রল গভর্ণমেন্টনা দেল্লীদা ওক্সিজেন প্লান্ট ৬ পীরকখি। মখোয় লোইনমক ওপরেসনেল ওইরে। অনীশুবা ৱেভ মনুংদা ওক্সিজেন সপ্লায়গী ফিভম ফগৎনবা দেল্লী গভর্ণমেন্টপু মতেং পংবীখিবগীদমক্তা ঐহাক্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টপু থাগৎলি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ওক্সিজেন প্লান্ট ৬ ইন্সটোল তৌরে অমসুং অহেনবা প্লান্ট ৭সু থুনা ইন্সটোল তৌরগনি।

নুমিৎ খূদিংগী অরুবা ফিভমদা লৈবা কোভিদ পেসেন্ট মমিং মমাঙদা থোকখিদ্রিবা মওংদা য়ামনখিবদগী পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা নেসনল কেপিটোলদা মেদিকেল ওক্সিজেনগী দিমান্দ নোংমদা মেত্রিক টন ৭০০ ফাওবা য়ৌখি। নোর্মেল মতমদা দেল্লীগী চাংচৎতা নোংমদা মথৌ তারিবা মেদিকেল ওক্সিজেন কঞ্জ্যুম্পসনগী চাং অসি মেত্রিক টন ১৫০-২০০ রোম্নি।

চীফ মিনিষ্টরনা থৌরম অদুদা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা অমমম্না মেত্রিক টন ৫৭কী কেপাসিটি ওইবা ওক্সিজেন ষ্টোরেজ ফেসিলিটি অহুম শেমগৎখি। দেল্লীদা ওক্সিজেন ষ্টোরেজ সিষ্টেম অমফাওবা লৈরমদে। অহুমশুবা ৱেভ লাকপা মতমদা ওক্সিজেন ফংদবগী ফিভম অদু ঐখোয়না অমুক হন্না লৈহনবা পামদে। দেল্লী গভর্ণমেন্টনা অহুমশুবা ৱেভকীদমক মপুং ফানা শেম-শাবগী থবক লেপ্তুনা চখ্রি।

কেজ্রিৱালনা হায়, হৌখিবা চহীদগী দেল্লীদা কোভিদ পেন্দমিক্কী ৱেভ মরি থেংনখি। অহানবা ৱেভ মনুংদা নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী য়াম্বা কেস মশিং ৪,৫০০ রোম্নি। অনীশুবা ৱেভ মনুং হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা নোংমদা থেংনখিবা খ্বাইদগী য়াম্বা কেস মশিং ৬০০০ রোম ওইখি। অহুমশুবা ৱেভতা নুমিৎ খূদিংগী থেংনবা কেস মশিং ৪৫০০ ফাওবা য়ৌখি অমসুং মরিশুবা ৱেভতদি নোংমদা ২৮,০০০দগী হেনখি।

# বি জে পিগী থৌমীশিং পাক্তক্লনা রিজাইন তৌখ্রে

কাভারাট্টি, জুন ১২ (এজেন্সী): ফিল্মমেকর আইশা সুলতানাগী মায়োক্তা সেদিসনগী কেস ফাইল তৌবগী মায়োক্তা য়ানীংদবা উত্তুনা লক্সদ্বিপকী ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী লুচিংবা অমসুং ৱর্কর কয়া ইরাই নুমিত্তা রিজাইন তৌখ্রে।

মলায়ালম ন্যুজ চেন্নেল অমগী দিবেটতা ফিল্মমেকর সুতানানা এদমিনিষ্ট্রেটর প্রফুল খোদা পাতেলবু য়ুনিয়ন টেরিটোরি অসিদা কোরোনাভাইরস কেস হেনগৎলকপগা মরী লৈননা মরাল শীখি। সেন্টরনা মহাকপু লক্সদ্বিপকী মীয়ামগী মায়োক্তা বাইও-ৱেপন অমা ওইনা শীজিন্নরি হায়না সুলতানানা ফোঙদোকখি।

বি জে পি লক্সদ্বিপ য়ুনিটকী চীফ সী অব্দুল খাদের হাজিদা ইবা লেটর অমদা পার্টিগী লুচিংবা অমসুং ৱর্কর ১২না হায়খি মদুদি সুলতানাগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা ফিরেপ অসি মরম চাদে অমসুং লাল্লি। মদু মহাক্কী তুংগী পুন্সি মমি শামহন্নবগী খোঙথাং অমনি। পাতেলগী ৱাথোক ওইরবা রেগ্যুলেসন কয়ানা সিটিজনশিংদা অৱাবা অদুক্কী মতিক পীরি হায়বসি ঈথৎ অসিগী বি জে পিগী ৱর্করশিংনা মুন্না খঙই। এদমিনিষ্ট্রেটর অসিগী অরানবা থবক কয়াগী মায়োক্তা পার্টিগী লুচিংবা কয়ানা ঙাঙনবা হৌখ্রবনি।

# '২শুবা ৱেভতা কোভিদ-১৯ না ইন্দিয়াদা দোক্টর ৭১৯ শিহনখ্রে'

ন্যু দেল্লী, জুন ১২ (এজেন্সী): লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ মনুংদা পুন্না দোক্টর ৭১৯ লৈখিদ্রে হায়না ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন (আই এম এ)না থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

পুন্না দোক্টর ১১১গী পুন্সি লোমদুনা বিহারনা অনীশুবা ৱেভ মনুংদা দোক্টর মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈখিদবা ষ্টেট ওইরি। বিহারগী মথংদা দোক্টর মশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈখিদবদি দেল্লীনি। অনীশুবা ৱেভতা দেল্লীদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা দোক্টর মশিং পুন্ন ১০৯নি।

আই এম এনা হায়, অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অসাম অমসুং মণিপুরদা মথংশীৎনা দোক্টর ৮ অমসুং ৫ লৈখিদ্রে। কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভতা ত্রিপুরাদা দোক্টর অনী লৈখিদ্রে।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াদা হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অনৌবা কেস ৮৪,৩৩২ থেংনখিবগা লোয়নননা লায়না অসিনা মীওই ৪০০২ শিহনখ্রে। অনৌবা কেস মশিং অসি হৌখিবা নুমিৎ ৭০নি অসিদা লৈবাক অসিদা নোংমদা থেংনবা খ্বাইদগী নেম্বা কেস মশিংনি।

আই এম এগী মতুং ইন্না, কোরোনাভাইরস পেন্দমিক হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিদা পুন্না দোক্টর ১,৪৬৭ লৈখিদ্রে। পেন্দমিক অসিগী অহানবা ৱেভ মনুংদা দোক্টর ৭৪৮গী পুন্সি লোমখি।

ওফিসল ফিগর্সকী মতুং ইন্না, উত্তর প্রদেশতা দোক্টর ৭৯ লৈখিদ্রে। রাজস্থানদা লৈখিদবা দোক্টর মশিং ৪৩নি। জর্খন্দ অমসুং অন্ধ্র প্রদেশতা লৈখিদবা দোক্টর মশিংনা মথংশীৎনা ৩৯ অমসুং ৩৫নি।

অনীশুবা ৱেভতা কোভিদ-১৯না দোক্টরশিং শিহনখিবা অতৈ ষ্টেটশিংদি পুদুচেরি-১, উত্তরখন্দ-২, গোৱা-২, হরিয়ানা-১, জম্মু এন্দ কাশ্মির-১ অমসুং পঞ্জাব-১নি।

# ভিলেজ অমসুং টাওনগী প্রোগ্রেস য়েংশিন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা সরপ্রাইজ ভিজিট তৌরগনি

হায়দরবাদ, জুন ১২ (এজেন্সী): পঞ্চায়তি রাজ অমসুং ম্যুনিসিপাল ওফিসরশিংগী থবক মতৌশিং য়েংশিনবা য়াওনা পাল্লে অমসুং পাতানা প্রগতি প্রোগ্রামশিংগী প্রোগ্রাম হায়বদি ভিলেজ অমসুং টাওনগী প্রোগ্রেস য়েংশিন্নবা টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা মথং চয়োলদা সরপ্রাইজ ভিজিট হৌরগনি।

ষ্টেট অসিদা ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রামশিংগী মতাংদা রিভিয়ু তৌবগী মীফম অমসু রাওনা নোংমাইজিং নুমিৎকী অথেংবদা এদিসনল কলেক্টরশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট পঞ্চায়ত রাজ ওফিসরশিং (দি পি ও)গা পাঙথোক্লনি।

ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রামশিং অসিগী অৱাংবা থাক্কী রিভিয়ু মীটিং অমদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরস কেস হন্থরক্লে। পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৪.৭তা হন্থরে। ষ্টেট অসিদা অতোপ্পা রাওন্দগী পালে অমসুং পাতানা প্রগতি প্রোগ্রামশিং লোঞ্চসু তৌরগনি। সী এমগী মতুং ইন্না, রুরেল অমসুং অর্বান এরিয়াশিং চাওখৎহন্নবা টেলঙ্গনানা অনৌবা পঞ্চায়ত রাজ অমসুং ম্যুনিসিপালিটি এক্টশিং পুথোকখি।

পনবা য়াবদি, ভিলেজশিং অমসুং ম্যুনিসিপালিটিশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা শীজিন্ননবা থা খূদিংগী লুপা ক্রোর ৩৩৯ অমসুং লুপা ক্রোর ১২৮ কায়থোক্লি।

পঞ্চায়ত রাজ অমসুং ম্যুনিসিপালিটিশিংগী ইমপ্লোয়ীশিংনা করিগী মখোয়গী মথৌশিং পাঙথোকপা ঙমদ্রিবনো হায়বসি খঙবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা রাওনা চেকশিনৱা ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, মহাক্না সরপ্রাইজ ভিজিট তৌবদা মথৌ নীংথিনা তৌরমদবা ইমপ্লোয়ীশিং ঙাকপীরোই। মতম মতমগী ওইবা লায়নাশিং হন্থনবগী থৌরাংশিং য়াওবা চার্ট অমা শেম্নবসু রাওনা ওফিসলশিংদা ইন্সট্রক্সন পীখি।

# দেল্লী মার্কেটতা সো রূম মঙা মৈ চাকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুন ১২ (এজেন্সী): দেল্লী মার্কেট এরিয়া অমা থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্তা মৈ চাক্লকখিবগা লোয়নননা সো রূম মঙা মাঙ-তাকখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিনা ফোঙদোরকপদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু দেল্লীগী লাজাত নগর সেন্ট্রেল মার্কেট এরিয়াদা থোকখিবনি। ফায়র দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না, মৈ চাকপদুগা মরী লৈননা অয়ূক পূং ১০.২০ লোম তাবদা কোল অমা লাকখি। ফায়র টেন্দর ১৬ মৈহৌলাংপোক থোক্লিবা মফমদুদা চঙশিনখি।

ফায়র টেন্দরশিং মফমদুদা য়ৌখিবা মতমদা সো রূম মঙা মৈ চাক্লমখি। মৈ অদু ঙাইহাক্কী মনুংদা মঙাশুবা দুকানদা শন্দোকখি। মৈদু অয়ূক্তা দুকানশিংদুগী মনুংদা অমদা চাকপা হৌরগা অতৈ দুকানশিং শন্দোকখিবা মাল্লি হায়না দেল্লী ফায়র সর্ভিসকী দিরেক্টর অতুল গার্গনা ফোঙদোকখি।

মৈদু কদায়দগী অমসুং করম্না হৌরকখিবনো হায়বা খঙদ্রি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়, মতম চানা হোৎনহৌবদগী ফায়রমেনশিংনা মৈদু মখা তানা শন্দোকপা থিংবা ঙমখি। মহাক্কী মতুং ইন্না পূন্না ফায়র টেন্দর ৩০ অমসুং ফায়র ফায়টর ১০০ হেন্না মফম অদুদা লৈখি।

দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মৈহৌলাংপোক অদুগা মরী লৈননা ত্বিটর পোষ্টকী খূত্থাংদা মহাক্না মৈ চাকপা অমদি ওইরক্লিবা ফিভম লেপ্তুনা মোনিটর তৌরি অমসুং ফায়র দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংগা তৎতনা পাউ ফাওনরি হায়না ফোঙদোকখি।

# কোভিদ পেসেন্টশিংদা কোলচিসিনগী ক্লিনিকেল চাংয়েং হৌরগনি

ন্যু দেল্লী, জুন ১২ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংবদা কোলচিসিন হায়রিবা দ্রগ অসি শীজিন্নবদা কদায় ফাওবা সেফ ওইবগে অমসুং ইফিকেসি কয়াম্না লৈবগে হায়বা খঙদোক্লবা কাওন্সিল ওফ সাইন্টিফিক এন্দ ইন্দষ্ট্রিএল রিছার্চ (সী এম আই আর)না অনীশুবা ফেজগী ক্লিনিকেল চাংয়েং চত্থরগনি।

কোলচিসিন অসি গাওট অমসুং মরী লৈনবা কন্দিসনশিং লায়েংবদা শীজিন্নে। দ্রগ অসি হান্নদগী হার্টকী লায়নাশিং চেনবা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবদা মরু ওইবা হীদাক্কী আইটেম অমা ওইনা শীজিন্নরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

মালেমদগী মফম কয়াদা চত্থরিবা ষ্টদি কয়ানা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন মনুংদা থোকপা হার্টকী কমপ্লিকেসনশিং অমসুং পোষ্ট কোভিদ সিন্দ্রোমনা মীওই কয়া শিহল্লি হায়বসি কনফর্ম তৌরে। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা অনৌবা দ্রগ নৎত্রগা অনৌবা কন্দিসনশিংদা শীজিন্নবা য়াবা হান্নগী দ্রগশিং (রিপরপজ দ্রগস)দা মীৎয়েং থল্লকপা মথৌ তারকই।

ইন্দিয়া অসি হৌজিক য়াম্না মরু ওইরক্লগনি হায়না থাজনরিবা দ্রগ কোলচিসিন খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপা (শাবা) লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। করিগুম্বা চাংয়েং মায় পাকপা তারবদি দ্রগ অসি পেসেন্টশিংদা মমল হোংনা ফংহনগনি।

দ্রগ অসিগী সেফটি অমসুং ইফিকেসি লেপ্পবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ক্লিনিকেল চাংয়েং পাঙথোক্লবা সী এম আই আর অমসুং হায়দরবাদতা লৈবা লক্সাই লাইফ সাইন্সেস প্রাইভেট লিমিটেদতা দ্রগস কন্ট্রোলর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া (দি সী জি-আই)না রেগ্যুলেটরি এপ্রুভেল পীরে।

মরু ওইবা ক্লিনিকেল চাংয়েং অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা সী এম আই আরগী পার্টনর ইন্সটিট্যুটশিংদি সী এম আই আর-ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ কেমিকেল টেক্নোলোজি (আই আই সী টি), হায়দরবাদ অমসুং সী এম আই আর-ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ ইন্টিগ্রেটিভ মেদিসিন (আই আই আই এম) জম্মুনি।

এপ্রুভ তৌরবা দ্রগ অসিগী ক্লিনিকেল চাংয়েং পাঙথোক্লবগী অয়াবা পীরকপদা সী এম আই আরগী দিরেক্টর জেনরেল ডা. শেখর সী মান্দেনা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

সী এম আই আরগী এদভাইজর ডা. রাম ভিশ্বাকর্মানা হায়, কোলচিসিন অমসুং ষ্টেন্দর্দ ওফ ক্যের অনী অসি পারগা হার্টকী লায়নাশিং চেল্লকপা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবদা য়াম্না কান্নহনগনি অমসুং মসিনা প্রো-ইনফ্লেম্মেটরি সাইটোকাইনশিংসু হন্থহন্দুনা থুনা ফগৎহনবদা মতেং পাংগনি।

## / অহুল্লকশুবা কুমওন লাকপদা



ঙসি ইঙাগী ২নি পানবা য়াইফরবা থাংজ নুমীৎ (১২/৬/২০২১) সিদা ঐখোয় পুম্নমকপু কোনবীরম্বা লাইওইখ্রবা সৌবাম বুধী মীতৈনা তাইবংপান থাদোক্তুনা মপূগী খূয়া খাদা চঙজখিবগী অহুল্লকশুবা কুমওন থোক্লে। লৈখিদ্রববু নীংশিংজবা ওইনা লৈখিদ্রবগী লোয়নবী সৌবাম অমু লৈমা অমদি মচা-মশুশিংনা সগোলবন্দ তেরা বজারদা লৈবা চিলদ্রেন হোমদা ঙমজবা পোৎলম-চৈরম খরা কৎতুনা মতেং পাংজখ্রে।

**সৌবাম অমু লৈমা অমদি মচা-মশুশিং**
সগোলবন্দ মোইরাং হনুবা লাই লৈরক

HL-P/9928/13



Resonance®
Educating for better tomorrow

Live-Video Learning Programmes

- Live Classes
- Assignments
- Periodic Tests
- Doubt Solving Sessions
- Live Recorded Lectures




Courses:

- 2-Years Integrated Course for Class XI
- 1-Year Course for NEET/JEE
- 45-days Special Crash Course for NEET 2021 from June 15th, 2021

Satarting first week of June 2021

Hurry Up!
We have limited seats

9402979552 / 8794961535
NachomEdu Foundation
3rd Floor, SI and Sons Building, Kwakeithel Thokchom Leikai, Imphal West-1

HL/P/9004/3-13

## /নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নান্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6

# কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 58,90,000+11,766 | 56,20,000+8,104 | 1,06,000+2,619 |
| Karnataka | 27,50,000+8,249 | 25,10,000+14,973 | 32,644+159 |
| Kerala | 27,00,000+14,233 | 25,60,000+15,355 | 10,804+173 |
| Tamil Nadu | 23,20,000+15,759 | 21,20,000+29,243 | 28,906+378 |
| Andhra Pradesh | 18,00,000+8,239 | 16,90,000+11,135 | 11,824+61 |
| Uttar Pradesh | 17,00,000+596 | 16,70,000+1,642 | 21,667+70 |
| West Bengal | 14,50,000+4,883 | 14,20,000+4,321 | 16,731+89 |
| Delhi | 14,30,000+238 | 14,00,000+504 | 24,772+24 |
| Chhattisgarh | 9,86,000+741 | 9,56,000+2,069 | 13,300+15 |
| Rajasthan | 9,49,000+446 | 9,31,000+1,475 | 8,799+27 |
| Odisha | 8,42,000+5,235 | 7,81,000+8,516 | 3,210+43 |
| Gujarat | 8,19,000+481 | 7,98,000+1,526 | 9,985+9 |
| Madhya Pradesh | 7,88,000+397 | 7,74,000+1,240 | 8,510+35 |
| Haryana | 7,65,000+463 | 7,50,000+1,036 | 8,904+43 |
| Bihar | 7,16,000+566 | 7,01,000 | 9,466+14 |
| Telangana | 6,00,000+1,707 | 5,74,000+2,493 | 3,456+16 |
| Punjab | 5,86,000+1,201 | 5,55,000+2,071 | 15,435+68 |
| Assam | 4,54,000+3,666 | 4,03,000+5,241 | 3,873+29 |
| Jharkhand | 3,43,000+291 | 3,34,000+584 | 5,082+1 |
| Uttarakhand | 3,36,000+287 | 3,24,000+1,620 | 6,909+31 |
| Jammu and Kashmir | 3,06,000+906 | 2,84,000+1,885 | 4,160+17 |
| Himachal Pradesh | 1,98,000+505 | 1,89,000+955 | 3,367+9 |
| Goa | 1,62,000+423 | 1,53,000+819 | 2,899+8 |
| Puducherry | 1,12,000+429 | 1,04,000+967 | 1,668+11 |
| Chandigarh | 60,998+70 | 59,648+84 | 786+3 |
| Manipur | 58,768+687 | 48,902+1,105 | 944+19 |
| Tripura | 58,521+428 | 52,218+565 | 604+8 |
| Meghalaya | 41,100+514 | 35,393+526 | 714+10 |
| Arunachal Pradesh | 30,850+358 | 27,438+288 | 138+5 |
| Nagaland | 23,466+116 | 19,244+212 | 445+4 |
| Ladakh | 19,506+31 | 18,513+88 | 197 |
| Sikkim | 18,090+147 | 13,901+277 | 281+2 |
| Mizoram | 14,921+178 | 11,358+254 | 62+1 |
| Lakshadweep | 9,122+49 | 8,414+104 | 43+1 |

# মিলিটেন্টশিংগী এটেকতা মীচম ২, পুলিস ২ শিরে

শ্রীনগর, জুন ১২ (এজেন্সী): জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সোপোর টাওনদা মিলিটেন্টশিংনা থাংজ নুমিত্তা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা চত্থখিবা এটেকতা মীচম অনী অমসুং পুলিস পর্সনল অনী শিখ্রে অমদি অতৈ মীওই তরেৎ অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, সোপোর টাওনদা মিলিটেন্টশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা গ্রেনেদ অমা লংশিল্লকখিবদা মীচম অনী অমসুং পুলিস পর্সনল অনী ফিভম থীনা শোকখি। মখোয় মতুং তাবদা হোস্পিটালদা লায়কন্নরিঙৈদা লৈখিদ্রে।

সোপোর টাওনগী মরু ওইবা মার্কেট এরিয়াদা চত্থখিবা এটেক অদুদা পুলিস পর্সনল মরি অমসুং মীচম অহুমসু শোকখি। থী-হুম্বা চত্থনবা এরিয়া অদুদা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিনখ্রে। শ্রীনগরদা রিপোর্ট খরনা হায়, মিলিটেন্টশিংনা সোপোর টাওনগী মরু ওইবা মার্কেটতা লোকেল পুলিসকী গাড়ী অমদা টার্গেট তৌদুনা গ্রেনেদ লংশিনখি।

চৈরকসিদা, মীচম অনী অমসুং পুলিস পর্সনল অনী শিহনখিবা সোপোরগী টেররিষ্ট এটেক অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়নননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিনা হায়খ্রে, নোংমৈনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ইস্যু লৈখায় তাবা ঙল্লোই। ৱারী শানবা হায়বসি সোল্যুসন পুরক্লবগী অমত্তা ঙাইরবা লম্বীনি। অপনি পার্টিগী প্রসিদেন্ট অলতাফ বুখারিনসু এটেক অদুবু কন্দেম তৌখ্রে। ষ্টেটমেন্ট অমদা বুখারিনা এটেক অদু খ্বাইদগী হেন্না হঙ্গোইনিংঙাই অমসুং থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওই হায়খি।